# ট্রাও এফ সী ইষ্ট বেঙ্গলগী মখুৎতা পাঞ্জল ২-৪দা মায়থীবা নংখ্রে, চেন্নাই সীটি অমদি আইজোল দ্রো চৎখ্রে






ইম্ফাল/চেন্নাই, ফেব্রুৱারী ২৩ (এজেন্সী): হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা মণিপুরগী ক্লব ট্রাও এফ সিনা য়ুম্বু ওইদুনা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টদিয়মদা ইষ্ট বেঙ্গলগা লম্বা তৌনখিবদা পাঞ্জল ২-৪দা মায়থীবা নংখ্রে। অমরেমাদা চেন্নাইগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অমদা চেন্নাই সিটি অমসুং আইজোল পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে।

ঙসি মেচ অসিগী মাংওইননা ট্রাও এফ সী চেম ১৩ শান্নখিবদা পোইন্ট ১৬ ফংলগা ৫শুবা পোজিসনা লৈরম্বনি। অমরোমদা ইষ্ট বেঙ্গলগী টিম মেচ ১২ শান্নখিবদা পোইন্ট ১৫ ফংদুনা ৬শুবা পোজিসনদা লৈখিবনি।

মেচ অসিগী অহানবা হাফতা ট্রাও এফ সীনা এটেক চথুখিবা এটেক অমদা শান্নগী ১৮শুবা মিনটতা দিনেসনা পীরকপা বোল অমদা ইমিকানা পাঞ্জল অমা চনখি। অহনাবা হাফকী লেমহৌবা মতমদা ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফতা ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়কৈদগী ৫২শুবা মিনটতা সন্তোসনা ইক্বেলাইজর চনখি। মদুগী মতুং ৬৭শুবাদা কে ইদারনা পাঞ্জল অমা হাপচিনখি। মখা তানা চথুরকপা এটেক অমদা শান্নবগী ৬৯শুবা মিনটতা বি ভানলালরেমদিকানা পাঞ্জল অমা চল্লবা মতুং শান্নবগী ৭৬শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমগা হাপচিল্লগা পুন্না পাঞ্জল ৪ চনখি। ট্রাওগী মায়কৈদগী ও উচেনা ৮৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনখ্রবসু মখোয়বু ইষ্ট বেঙ্গলনা ৪-২দা মায়থীবা পীখি।

অমরোমদা, চেন্নাই সিটি অমসুং আইজোলনা শান্নখিবা মেচতা পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Mohun Bagan | 13 | 10 | 2 | 1 | 30 | 11 | +19 | 32 |
| 2 | Punjab | 13 | 5 | 6 | 2 | 18 | 15 | +3 | 21 |
| 3 | Churchill Brothers | 12 | 6 | 1 | 5 | 21 | 17 | +4 | 19 |
| 4 | East Bengal | 13 | 5 | 3 | 5 | 20 | 16 | +4 | 18 |
| 5 | Gokulam Kerala | 12 | 5 | 2 | 5 | 16 | 16 | 0 | 17 |
| 6 | Chennai City | 13 | 4 | 4 | 5 | 15 | 18 | −3 | 16 |
| 7 | TRAU | 14 | 4 | 4 | 6 | 14 | 24 | −10 | 16 |
| 8 | NEROCA | 14 | 4 | 3 | 7 | 21 | 29 | −8 | 15 |
| 9 | Real Kashmir | 11 | 4 | 3 | 4 | 12 | 11 | +1 | 15 |
| 10 | Aizawl | 13 | 3 | 6 | 4 | 15 | 16 | −1 | 15 |
| 11 | Indian Arrows | 12 | 2 | 2 | 8 | 6 | 15 | −9 | 8 |

১০শুবা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিএল সী আর পি এফ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# মুভানলাই কাংপোকপীনা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদেপু অমদি জি এস সীনা অমোফাবু মায়থীবা পীখ্রে




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৩(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর অমদি নাগালেন্দ সেক্টর সী আর পী এফনা শীন্দুনা টিম ২৫না শরুক য়াদুনা সাই স্পোর্টস কমপ্লেক্স তাকয়েলগী আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথুরিবা ১০শুবা সহিদ মনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিএল সী আর পি এফ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা মুভানলাই কাংপোকপীনা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ৩-১দা অমদি জি এস সীনা অমোফাবু পাঞ্জল ৫-৩দা মায়থীবা পীখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দদা মুভানলাই কাংপোকপী অমসুং শগোলবন্দ য়ুনাইটেদ লম্বা তৌখি। মেচ অসিগী হৌরকপদা টিম অনীমক লম্বা মান্ননা শান্নরকখি। মুভানলাইনা চথুরকখিবা এটেক অমদা গিনমিনথাং জর্সি নম্বর ৭না পাঞ্জল অমা চন্দুনা অহানবা একাউন্ট হাংখি। মখা তানা ইঞ্জুরি টাইমগী অহানবা মিনটতা মুভানলাইগী এটেক অমদা বোনিসন জর্সি নম্বর ১১না পাঞ্জল অমগা হাপচিল্লগা শগোলবন্দ য়ুনাইদেটপু পাঞ্জল ২-০দা মাংজিল থাদুনা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী শোথুখিবা পাঞ্জলশিং হন্দোক্নবা অহানবা হাফতা শান্নখিবা মতৌদগী হেন্না ফজনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৫০শুবা মিনটতা ইলমিতা কিলোং জর্সি নম্বর ১৩না শগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী একাউন্ট হাংবা ঙমখি।

মখা তাবা মিনটশিংদা টিম অনীনা এটেক চথুনরকপদা শান্নবা লোইগদবা ৭৯শুবা মিনতা মুভানলাইগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা গিনমিনথাংনা পাঞ্জল অমা হাপচিল্লগা মখোয়না শগোলবন্দ য়ুনাইটেদবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দা অমোফা অমসুং জি এস সী লম্বা তৌনখি। মেচ অসি জি এস সীনা অমোফাবু পাঞ্জল ৫-৩দা মায়থীবা পীখি।

জি এস সীগী পাঞ্জলশিং অদু লুনমিনলেন জর্সি নম্বর ২৪না ২২ অমসুং ৪৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ চনখি। সতগৌথাং জর্সি নম্বর ২৮, মাংলেনবোই জর্সি নম্বর ১৩ অমদি সোলোমোন জর্সি নম্বর ৯না মথং শীৎনা শান্নবগী ২৮, ১৩ অমদি ৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমমম চনখি। অমরোমদা অমোফাগী মায়কৈদগী পি ঐচ নাওবী জর্সি নম্বর ১১, মালকুর জর্সি নম্বর ১৯ অমদি জেমসন জর্সি নম্বর ১৮না পাঞ্জল অমমম চনখি।

# তেলৌ এফ সীনা ২শুবা ও এন ৱাই সীগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৩ (ঐচএনএস): ওক্সু নিংথেমচা খুল য়ুথ ক্লবনা শীন্দুনা ওন এন আই সী প্লেগ্রাউন্দদা চথুরিবা ২শুবা ও এন ৱাই সী ট্রোফি ২০২০গী টাইটল তেলৌ এফ সীনা লৌখ্রে।

ঙসিগী ফাইনেল মেচতা তেলৌ এফ সী অমসুং মুতুম শান্তা এফ সী লম্বা তৌনখি। শান্নবগী ২শুবা মিনটতা শান্তা এফ সীগী মায়কৈদগী এস অনন্দ জর্সি নম্বর ১২না টিম অদুগী একাউন্ট হাংখি। মিনট ৬ লৈরগা শান্নবগী ৮শুবা মিনটতা তেলৌ এফ সীনা চথুরকপদা এটেক অমদা এন জি রাকেসনা ইক্বেলাইজর চনখি। লোয়ননা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল ১-১দা লৈনখি। অনীশুবা হাফতা শান্তা এফ সীগী মায়কৈদগী সিতল জর্সি নম্বর ৬না ৩৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনখি। অদুগা তেলৌ এফ সীগী মায়কৈদগী নোবেল জর্সি নম্বর ৮না ৪৪ অমসুং ৫০শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ চন্দুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

৮শুবা টি-২০ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট

# সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ৱাই দল্লীয়ু সীবু রন ৪২দা অমদি চেম্প খাগম্পলিনা ৱাই পি ঐচ য়ুবু রন ৫৭তা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৩ (ঐচএনএস): মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা টিম ৯না শরুক য়াদুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা '৮শুবা টি-২০ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২০'গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ৱাই দল্লীয়ু সী লংথবালবু রন ৪২দা, চেম্প খাগেম্পলিনা ৱাই পি ঐচ য়ু লালাম্বুংবু রন ৫৭তা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি অহানবা গ্রাউন্দদা সাইক্লোন অমসুং ৱাই দল্লীয়ু সী লম্বা তৌনখি। মেচ অসি ৱাই দল্লীয়ু সীনা টোস ঙমদুনা বোল্লিং খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা সাইক্লোননা বেট্টিং তৌবদা ওভর ২০ মায়োক্নবদা ৱিকেট ৩ তুরগা রন ১৭৮ লৌবা ঙমখি। সাইক্লোন থাংমৈবন্দগী স্কোরশিং অদু সসিকুমারনা বোল ৫১দা রন ৮৬, জম্পুনা বোল ৫৬তা রন ৬৩ লৌবা ঙমখি। অহানবা ইন্নিংসতা ৱাই দল্লীয়ু সীনা বোল্লিং তৌবদা ধনঞ্জয়, কুমারজিৎ অমদি প্রিয়োকুমারনা ৱিকেট অমমম লৌবা ঙমখি।







অনীশুবা ইন্নিংসতা ৱাই দল্লীয়ু সীনা বেট্টিং তৌবদা ওভর ২০ মায়োক্নবদা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৩৬ খক লৌবা ঙমখিবদগী মেচ অসি সাইক্লোননা রন ৪২দা মায়থীবা পীখি। ৱাই দল্লীয়ু সীগী স্কোরশিং অদু সসিনা রন ৩৩, প্রিয়োকুমারনা রন ২২, কুমারজিৎনা রন ১৭, রোজেসনা রন ১৩ লৌবা ঙমখি। অনীশুবা ইন্নিংসতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা বোল্লিং তৌবদা বিকোমনা ৱিকেট ২, থোইথোই অমদি অরুননা ৱিকেট অমমম লৌখি। মেচ অসিগী মেন ওফ দি মেচনা সাইক্লোনগী সসিকুমারনা রন ৮৬ লৌদুনা তাখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা চেম্প অমসুং ৱাই পি ঐচ য়ুগা লম্বা তৌনখি। মেচ অসি চেম্পনা টোস ঙমদুনা অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ২০ মায়োক্নবদা ৱিকেট ৩ তুরগা রন ২৩২ লৌখি। চেম্পকী স্কোরশিং অদু সঞ্জয়না রন ১১৫, গিতচন্দ্রনা রন ৩৫, বুল্লুনা রন ৩২, জোদিবানা রন ২৭ লৌবা ঙমখি। অহানবা ইন্নিংসতা ৱাই পি ঐচ য়ুনা বোল্লিং তৌবদা দুলারবানা ৱিকেট ২ অমসুং শান্তিনা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা ৱাই পি ঐচ য়ুনা বেট্টিং তৌবদা ওভর ২০ মায়োক্নবদা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৭৫ খক লৌবা ঙমখিবদগী সাইক্লোননা রন ৫৭তা মায়থীবা পীখি। ৱাই পি ঐচ য়ুগী স্কোরশিং অদু ইবুংঙোবীনা রন ১০৩, হিমান্তানা রন ২১, সঞ্জয়না রন ১৪ লৌখি। ইন্নিংস অসিদা সাইক্লোননা বোলিং তৌখিবদা সঞ্জয়না ৱিকেট ২, গিত, ইতাও, বুল্লুনা ৱিকেট অমমম লৌবা ঙমখি। মেচ অসিগী মেন ওফ দি মেচনা চেম্পকী সঞ্জয়না রন ১১৫ তা তাখি।

# সিনিয়র মিষ্টর ইন্দিয়া ২০২০দা শরুক য়াগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৩(ঐচএনএস): মধ্য প্রদেশতা মার্চ থাগী ২০দগী হৌদুনা ২২ ফাওবা নুমিৎ হুম্নি চথুগদবা সিনিয়র মিষ্টর ইন্দিয়া ২০২০দা শরুক য়ারুগদবা মণিপুর বোদি বিল্ডিং টিম অমসুং ওফিসল খনখ্রে।

খল্লবা বোদি বিল্ডিরশিং অদুদি কে জি ৫৫গী কাংলুপ্তা য়ুনাইটেদ জিম নাওরেমথোংদগী লাইশ্রম নিতা সিংহ, কে জি ৬৫গী কাংলুপ্তা কে এফ সী ক্যামগৈদগী নেপ্রম কিসন সিংহ, কে জি ৭০গী কাংলুপ্তা রেদিয়ান্ট ফিটনেস কোনুং মমাঙদগী লাইশ্রম দিসেন সিংহ অমদি মেন স্পোর্টিস ফিজিক্তা নম্বোল ফিটনেস সেন্টরদগী সলাম মেক্স সিংহনি।

ওফিসল ওইনা শরুক য়াগদবশিংদি আই বি বি এফকী ওফিসল নেসনল জজ রতন সিংহ, টিম কোচ অমদি নেসনল রেফরি রঞ্জিৎ, টিম মেনেজর অমদি নেসনল রেফরি থম্বাল শর্মানি।

# লিন্থোই হাওবম সিলভর ফংখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৩(ঐচএনএস): ওরিষাগী কোনুং ভুবনেশ্বরদা লৈবা কালিঙ্গা ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দষ্ট্রিয়েল টেক্নোলোজিদা থা অসিগী ২২দী হৌদুনা চথুরিবা অহানবা খোলো ইন্দিয়া য়ুনিভর্সিটি গেমস ২০২০গী মণিপুর য়ুনিভর্সিটি রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়ারিবা জি পি ৱিমেন কোলেজতা ফাইভ সিমিষ্টর তম্লিবী লিন্থোই হাওবম ফেন্সিং মশান্নগী ইপি ইভেন্টতা ফাইনেল গুরু নানক দেব য়ুনিভর্সিটিগী দত্তা জয়োতিক্কা লম্বা তৌনবদা মায়থীদুনা সিলভর মেদল ফংহৌরে।

HL-B/5723/21,22,24 Feb

# নুমিৎ ৪৪নি চুপ্পা চথুরকপা থাঙ-তাগী ট্রেনিং কেম্প লোইশিনখ্রে




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৩ (ঐচএনএস): লামন থাঙ-তা অমদি নৈনশঙ ক্লব অনীনা পুন্না খুৎশম্নদুনা হৌখিবা জন্যুৱারী ১১দগী হৌদুনা নুমিৎ ৪৪নি চুপ্পা চথুরকপা ফ্রি ৱিন্টর থাঙ-তা ট্রেনিং কেম্প ২০২০ শগোলবন্দ তেরা লৌক্রাকপম লৈকাইদা লৈবা নৈনশঙ ক্লব কম্যুনিতি হোলদা ঙসি লোইশিনখ্রে।

লোইশিনবগী থৌরমদা বিজয়গোবিন্দ গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান সলাম প্রদিপনা চীফ গেষ্ট, নৈনশঙ ক্লবকী প্রসিদেন্ট সেরাম মোহেন্দ্রনা প্রসিদেন্ট অমদি দান্স কোলেজ মণিপুরগী হান্নগী প্রিন্সিপাল রঞ্জিৎ অধিকারিময়ুমনা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসিদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা লমদম অসিগী তাংলবা মহৈ অমা ওইরিবা থাঙ-তা অসি ইপা ইপুশিংনা শান্নদুনা লাকই। ঙসিসু হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংনা নিষাগী ইপাক্তা তাওদুনা লৈবগী মহুৎতা থাঙ-তাগী ট্রেনিং কেম্প অসিদা য়াওশিন্দুনা অফবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা হোৎনসি হায়খি।

গেষ্ট ওফ ওন্নরগী ৱারোলদা থাঙ-তা অসিদি এখোয়গী ওইবা য়াম্না ফরবা মহৈনি অমদি কলচরনি। মসিদা মীওইবনা চৎকদবা লিচৎ-শাজৎ, থকসি-খাসি মরিক চুম্না য়াওরি হায়খি।

# ১৮শুবা ও এফ এ কপ ২০২০

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৩ (ঐচএনএস): ও এফ এ পুংদোংবমনা শীন্দুনা ও এফ এ শান্নবুঙদা টিম ২৪না গ্রুপ ৮ থোক্না খাইদোক্তুনা ঙসিদগী হৌদুনা ১৮শুবা ও এফ এ কপ ২০২০গী ওপনিং মেচতা দ্রেস হাউস এফ সী পাৎশোইনা ৱাই এল কে তেজপুরবু পাঞ্জল ৯-০দা চাওনা মায়থীবা পীখ্রে।

# ফর্স্ত ষ্টেট লেভেল এ তোম্বা মেমোরিএল

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৩ (ঐচএনএস): কমাখ্যা সোসল য়ুথ ক্লব হিয়াংথাংনা শীন্দুনা ক্লব অসিমক্কী গ্রাউন্দদা চথুরিবা ফর্স্ত ষ্টেট লেবেল এস তোম্বা মেমোরিএল দে এন্দ নাইট ৪ মেন এ-সাইদ ওপন সুপর সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এফ সী হিয়াংথাং-এ, অদি এফ সী অমদি আর এফ সী মায় পাকখ্রে।

# মণিপুর ৱেথলিফটিং এসোসিএসনগী তোঙান-তোঙানবা চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারুবা শান্নরোয়, ওফিসলশিং ওকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৩ (ঐচএনএস): মণিপুর ৱেথ লিফটিং এসোসিএসননা শীন্দুনা মমাঙ চহী ২০১৯গী ওক্টোবর থাদা বুধা গয়াদা পাঙথোকখিবা ১৫শুবা য়ুথ বোইজ এন্দ গর্লস, ৫৬ মেন্স এন্দ ৩২ ৱিমেন্স জুনিয়র নেসনল ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৯, গুৱাহাতিদা চহী অসিগী জন্যুৱারী থাদা পাঙথোকখিবা ৩শুবা খেলো ইন্দিয়া য়ুথ গেমস ২০২০, কোলকতাদা মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা ৩৫শুবা ৱিমেন্স সিনিয়র নেসনল ৱেথলিফটিং চেম্পিয়নশিপ ২০২০দা তোঙান-তোঙানবা চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারুবা শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসলাশিং ওকপগী থৌরম অমা ঙসি মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এম দল্লীয়ু এল এগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট এম লোকেন্দ্রে সিংহনা শরুক য়ারুবা শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসলশিংবু পুক্নিং থৌগৎপগা লোয়ননা হরাওবসু ফোঙদোকখি।

HL-B/6019/4 feb-5march

JCRE Skill Solutions
empowering our youth
ADMISSION OPEN
Courses Available
Make-up Artist
Day Make-up/ Bridal Make-up/ Party Make -up
Duration: 2 Months
Batch starts from: March 2020
Communication & Soft Skills
Interview Skills/ Speaking/ Reading/
Writing Skills/ Personality Development/ Phonetics
Duration: 3 Months
Batch starts from: March 2020
Accountancy & Tally + GST
Accounts Master 7 Vouchers Entry/
Advanced Tally ERP 9/ Taxation
Duration: 3 Months
Batch starts from: March 2020
Diploma in Computer Application
MS Office/ DBMS/ Multimedia/
Web-Designing/ e-governance/ Networking
Duration: 6 Months
Batch starts from: March 2020
Tour Guide
Overview of Tourism Industry/ Tour Guiding Skills/
Preparation of Travel Itinerary
Duration: 3 Months
Batch starts from: March 2020
JCRE Skill Solutions, Thangmeiband Meisnam Leikai, Opp. THAU Ground.
Call us: +91 7085051125 / +91 9366847804 ( 10:00 am - 04:00 pm / Mon - Sat )




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com